# ইন্দিয়া-য়ু এসনা মিলিটরি বেজ সেয়র তৌমিন্নবা য়ান্নখ্রে ইন্দিয়া য়ু এস মিলিটরিগী মপাং অমা ওইরক্লি




য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি আষ্টোন কাটর অমসুং ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকর

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৩০ঃ*

য়ুনাইদেট ষ্টেট অমসুং ইন্দিয়ানা মিলিটরি বেজশিং শেমগৎ শাগৎপা অমসুং মচাক মথুমশিং পীনবগী মতাংদা য়ান্না ৱারোল সাইন তৌনখ্রে।

ইন্দিয়া য়ু এস মিলিটরিগী মপাং অমা ওইননবা লোজিষ্টিক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখ্রবা মতুং অমেরিকাগী আর্ম ফোর্সশিংনা ইন্দিয়াগী মিলিটরি বেজশিং শীজিন্নবা য়ারগনি। সাইন তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া য়ু এসকী মিলিটরিগা ফোর্মেল ওইনা মপাং ওইবগী ফিভম অমা লৈরক্লি।

য়ান্না ৱারোল অদুগী মখাদা য়ু এস এয়ারফোর্স অমসুং নেভিনা ইন্দিয়াগী নেভেল অমসুং এয়ারবেজশিং শীজিন্নবা য়াবগী হক লৈরগনি। য়ু এস আর্ম ফোর্সনা ইন্দিয়াগী মিলিটরি বেজশিং শীজিন্নদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মিলিটরি ওপরেসন চত্থবগী খুদোংচাবা ফংখ্রগনি। অদুগুম্বা য়ান্না চেরোল অদু য়ু এস অমসুং ইন্দিয়া নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাইন তৌনখিবনি।

য়ান্না ৱারোল অদু লোজিষ্টিক একচেঞ্জ মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট হায়না খঙনরি। দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকরনা য়ু এসতা লাকখিবা খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না ৱাশিংতনদা য়ান্না চেরোল অদু সাইন তৌনখিবনি।

নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী মনিং মখা তন্বদা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবসু মালেমগী ওইবা লৈবাক শন্দোকপা শক্তি লৈরবা লৈবাক অদুগা য়ান্না চেরোল সাইন তৌনদুনা লৈবাক অসিগী মনিং মখা তম্বা সরেন্দর তৌরে হায়না সি পি আই এমগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরক্লি। ইন্দিয়াবু নুংশিজবা মীওইশিংনা য়ু এসনা চত্থরক্লিবা নমথবগী থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদে হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকর অমসুং য়ু এসকী মহাক্কী ফম মান্নবা দিফেন্স সেক্রেটরি অষ্টোন কাটরনা য়ান্না চেরোল অদু ঙরাং সাইন তৌনখিবনি। কাটরনা হায় এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না লৈবাক অনীনা পুন্না ওপরেসন চত্থনবগী খুদোংচাবা লৈরগনি।

মহাক অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকরনা অনৌবা এগ্রিমেন্ট অদুগী মখাদা য়ু এস নত্রগা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা অনৌবা ট্রুপশিং লৈহনবগী ৱাফমদি য়াওদে। ৱাশিংটননা এসিয়া লমদমদা মচিন তুমখৎলক্লিবা চাইনাগা থেংননবা হোৎনরি। সাউথ চাইনা সমুদ্রদা উংখৎনবা কয়া লৈরি। ফিভম অদুদা ইন্দিয়ানা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

য়ান্না ৱারোল অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া অমসুং য়ুএস নেভিনা লায়না অমনা অমদা মতেং পাংদুনা ওপরেসন পাঙথোকপা অমসুং মীওইশিংগী হক্কীদমক থবক তৌবদা মতেং ওইরগনি হায়নসু দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকরনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাশিংটননা সিক্যুরিটিগী লমদা ইন্দিয়াগা অফবা মরী থম্বা পাল্লি। লৈবাক অনীগী মরক্তা চাংনাইনা পাঙথোকপা থৌরম অমসুং দিফেন্সকী লমদা মপাং ওইনবা হায়বা হিরমগী মতাংদা সাইন তৌনখিবনি।

কাটরনা মিলিটরিগী লমদা ইন্দিয়াগা নকশিননা থবক তৌমিন্নবা পাল্লি। স্পিসিয়েল য়ুনিয়ট শেমগৎতুনা পেন্টাগোননা মমাঙ চহীদা ইন্দিয়াগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহনবা থবক পায়খৎলি। পরিকরনা ৱাশিংটনদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা দিফেন্স ওফিসিয়েল কয়াগা তরুক্লক হন্না ৱারী শান্নখি হায়রি।

# সোমালিয়া প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা সুসাইদ বোম এটেক চত্থরকপদা মীওই ১২ শীরে



প্রসিদেন্সিয়েল পেলেস গেটতা বোম পোকখায়খ্রবা মতুং চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা

*মোগাদিসু, আগষ্ট ৩০ঃ*

সোমালিয়াগী কোনুংদা লৈবা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসকী গেটতা সুসাইদ বোম্বর অমনা পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা ত্রক অমা থৌজিন্দুনা পোকখায়হল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শীরে।

বোম অদু অয়ুক্কী মী চিনখৎলকপা ত্রাফিক জাম থোকপা মতমদা পোকখায়হল্লকখিবনি হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসার কেপ্টেন মুহম্মদ হুসেননা ফোঙদোরক্লি।

হুসেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এস ৱাই এল হোটেলদা লৈবা কেবিনেট মিনিষ্টর খরসু অশোক অপন নংখিবা মীওই ৩১গী মনুংদা য়াওরি। লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল অমসুং লল্লোল ইতিক্কী মফমশিংদা তৎতনা বোম এটেক চত্থরকখিবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পোকখায়খিবা বোম অদুনা মনাক নকপদা লৈবা হোটেলশিংদসু চাওনা অমাং অতা থোকহনখি।

পোকখায়খিবগী মখোল অদু মোগাদিসুগী মফম অয়াম্বদা তাখি। প্রসিদেন্সিয়েল কম্পাউন্দগী কারকখিবা মৈখু অদু অরাপ্পা মফমদগীদসু উবা ফংখি। রিবেলশিংনা চল্লাইবা অন্দালুস রেদিও ষ্টেসননা ফোঙদোরকখিবদা সোমালিয়াগী কোনুংদা পোকখায়হনখিবা অদু ইস্লামিষ্ট এক্সত্রিমিষ্ট অল সবাবনা চত্থখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে হায়রি।

অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিং মোগাদিসুগী মদিনা হোস্পিটালদা লাকয়ন্নরি হায়না হোস্পিটাল অদুগী ডাক্তর মুহম্মদ য়ুসুফনা ফোঙদোরক্লি।

চাওনা পোকখায়হনখিবা অদুনা প্রসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্স অদু অমাং অতা থোকহনখ্রে। মদুতা নত্তনা মনাক নকপদা লৈবা হোটেলশিংসু অকায় অতোই নংখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা চ্যেক পোইন্টশিংদা অদুগুম্বা থৌদোকশিং থোক্তনবা অকনবা থবক পায়খৎলি। প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসকা নক্নবা চ্যেক পোইন্টশিংদসু খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোক্নবা হোৎনরী হায়না পুলিস ওফিসার অলিনুরনা ফোঙদোরক্লি।

## GAS TODAY

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto .......16/08/2016
Valid from ........... 12/08/2016
Stk.......................612 (DBTL)
Timing.........7.30 to 10.30 am

**MISAO GAS**
Booking upto .......01/08/2016
Valid from ........... 19/07/2016
Stk.................................612
Timing.........7.00 to 11.00 am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto .......10/07/2016
Valid from ........... 18/06/2016
Stk.................................306
Timing.........7.00 to 10.00 am
Sumbit Aadhaar Card

**R & H INDANE**
Booking upto .......27/07/2016
Valid from ........... 24/07/2016
Stk.......................612 (DBTL)
Timing.........8.00 to 11.00 am
Sumbit Aadhaar Card

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......08/08/2016
Valid from ........... 02/08/2016
Stk 14 kg..........................612
19 kg ................................20
Timing.........8.00 to 10.30 am
Sumbit Aadhaar Card

**MAHALAKSHMI INDANE GAS**
Booking upto .......22/07/2016
Valid from ........... 14/07/2016
Booking Sl. No. 2000009895
Stk.......................306 (DBTL)
Timing.........7.00 to 10.00 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......22/08/2016
Valid from ........... 20/08/2016
Sl. No. 8710, Stk.............325
Timing.........7.00 to 10.00 am

**LEIBAKLEI GAS, KHONGJOM**
Booking upto .......15/07/2016
Stk.......................306
Timing.........7.30 to 12 Noon

# টলিবানশিংগী অনৌবা মিলিটরি চীফ খনখ্রে

*ইস্লামবাদ, আগষ্ট ৩০ঃ*

টলিবানশিংগী হেন্না য়াইফনবা অমসুং শান্তিগী ৱারী শান্নবগী থবক পায়খৎনবগী মীৎয়েংদা লুপ অদুগী অনৌবা মিলিটরি লুচিংবা খনখ্রে। টলিবান ওফিসিয়েলশিংনা চয়োল অমা চুপ্পা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ইন্টরভ্যু পাঙথোক্তুনা টলিবানগী ফাওন্দর মুলাহ মুহম্মদ ওমরগা মতম অমদা য়াম্না নক্নখিবা মীওই মৌলাবি ইব্রাহিম্ব লুপ অদুগী লুচিংবা খনখ্রে।

হেরাল্ড ন্যুজনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কা টলিবানশিংগা য়ান্না পুরক্নবা কন্না হোৎনখিবা লৈখি। টলিবানগী ওফিসিয়েল অনী ৱারী শান্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মখোয় টলিবানগী ওইনদি মীয়ামদা ৱাফম অমা ফোঙদোক্নবগী অয়াবা লৈখিদে।

সরদার খনখিবগা ইকান কান্নদনা টলিবানশিংনা অফগানিস্তান সিক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক চত্থখ্রে হায়রি।

# লেফট য়ুনিয়ননা অনৌবা মিনিমম ৱেজ রিজেক্ট তৌখ্রে, ইরাই নুমিৎকী ষ্ট্রাইক অদুম্মক চত্থরগনি

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৩০ঃ*

শীন্মীশিংগী খুৎশুমল হেনগৎহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা চংশিনগদবা ত্রেদ য়ুনিয়নগী ষ্ট্রাইক য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রে। লৈঙাক্লা য়ুনিয়নগী দিমান্দ খরা য়ারবসু ইরাই নুমিৎতা চত্থগদবা ষ্ট্রাইক হন্দোকউ হায়বা য়াখিদ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা সেমি স্কিল ৱার্করশিংগী খুৎশুমল লুপা ২৪৬তগী ৩৫০দা হেনগৎহনখ্রে। ষ্টেটশিংনা মখোয়গী ওইবা মওংদা হেন্না ফবা ফিভম অদু খনগদবনি। অদুম ওইনমক সেন্টরনা লেপ্লিবা খুৎশুমলগী চাং অদুদগীদি হন্থবা য়ারোই হায়খি।

অদুম ওইনমক ত্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংনা হায়, দিল্লি অমসুং করনাটকানচিংবা ষ্টেটশিংদি অদুগুম্বা খুৎশুমলগী চাং অদুদগী হেন্না পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

নোংমগী খুৎশুমলগী মতাংদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু চপ চাবা অমা ওইহনগদবনি হায়নসু ইন্দিয়ান ত্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবা তাপন সেননা ফোঙদোরক্লি। য়ুনিয়ন অদুনা তাকখিবা দিমান্দগী অয়াম্বা শরুক্তি পীবা লৈত্রে। মরম অদুনা ইরাই নুমিৎতা চংশিনগদবা খোঙজং অদু হন্দোকপা লৈতে হায়খি।

অরুন জেটলিগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল ইমপ্লোইশিংদা চুন্নবা চহী অনীগী বোনস থাদোক্লগনি। অদুম ওইনমক লুচিংবা অদুনা হায়, ফোরেন ইনভেষ্টমেন্টগী মতাংদদি অনৌবা রুলশিং অদুনা য়েংশিল্লি হায়খি।

ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অথু অকায়গী ওইনা অরুন জেটলি, লেভর মিনিষ্টর বন্দারু দত্তত্রেয়া অমসুং পাৱর মিনিষ্টর পিয়ুস কোয়লগা ফমিন্নদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা খন্নখি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা ষ্ট্রাইক অদু শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেমদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লবা য়াই হায়খি।

ত্রেদ য়ুনিয়ননা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগী দিমান্দ ১২ লৈঙাক্তা থাঙ্গৎখিবা লৈখি। মদুগী মনুংদা মিনিমম ৱেজ হেনগৎপগী ৱাফমসু য়াওখি। লৈঙাক্লা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্টগী মতাংদা মরু ওইনা রুল কোমথোক্লবা লৌখৎলিবা থৌশিলশিংগী মায়োক্তসু ত্রেদ য়ুনিয়ননা লেপখি।

ইন্সুরেন্স অমসুং দিফেন্সকী লমদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা আইন কোমথোক্লিবা অদুসু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। লৈঙাক অসিনা শেল-থুমগী লমদা হেন্না ফগৎহন্নবা শেমদোক শাদোকপগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক শিন্মীশিংবু ঙাক শেনবগী থবক্তি পায়খৎতে হায়না মরাল শীরক্লি।

লৈঙাক অসিনা অচৌবা করবারৱালাশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্নবা হোৎনরিবা অদুগী মায়োক্তা থেংনগনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মমাঙ চয়োলদা মহাক্কী পার্টিগী লুচিংবশিংনা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং ফোঙদোকপা অমদি লাইরবা মীওইশিংগীদমক য়াইফ থৌরাং পায়খৎনবগীদমক হেন্না ফবা মওংদা পাউ ফাওদোক্নবা মিনিষ্টরশিংদা খঙহনখিবসু লৈরিবনি।

ভারতিয়া মজদুর সঙ্গ, মরু ওইবা অচৌবা য়ুনিয়ন কয়া বি জে পি লৈঙাক্লা শম্নরি। রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেবক (আর এস এস)না হায়, লৈঙাক্লা ত্রেদ য়ুনিয়নগী দিমান্দ অয়াম্বা য়ারবনিনা ইরাই নুমিৎতা কৌরিবা ষ্ট্রাইক অদু হন্দোকফম থোকই হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ডাক্তর অমদগী অমদা লায়েংনবা হোৎনবদা চহী ১২গী অঙাং অমা শীরে

*কানপুর, আগষ্ট ৩০ঃ*

উত্তরপ্রদেশকী কানপুরদা থোকপা থম্মোয় শোক্নিংঙাই ওইবা থৌদোক অমদা চহী ১২ রোম শুরবা মশা ঙমদ্রবা অঙাং অমা অপোকপা মপানা লেঙবানদা থোঙ্গৎতুনা অতোপ্পা চিলদ্রেন ৱার্দতা পুননবা হোৎনবদা লৈখিদ্রে।

সুনিল কুমার (৩৬)না ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী মচানুপা আনস ইরাই নুমিৎতা মচানুপাবু থুনা লায়েংনবা পুননবা হোৎনবদা মহাক্কী লেঙবান মক্তদা লৈখিদ্রে। উত্তরপ্রদেশ লৈঙাক্লা হিরম অদুগী মতাংদা থিগৎনবা য়াথং পীখ্রে।

অদুম ওইনমক অঙাং অদু মতম চানা লায়েংনবা হায়বদা য়াখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

নুপামচা অদু ক্লাস ৬ তম্লিবা য়াম্না হৈথোই শিংথোইবা অঙাংনি। মহাক লোকেল হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। লোকেল হোস্পিটালদা লৈরম্বা ডাক্তরশিংনা অঙাং অদুবু গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা পুননবা খঙহল্লকখি হায়না মেকানিক ওইবা সুনিল কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী মচানুপা অদু লায়হৌকন্না হৌবগা লোয়ননা লোকেল ক্লিনিক অদুদা নুমিৎ নিনিরোম লায়েংলকখিবনি। মফম অদুদা লৈবা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমগী ইম্মর্জেন্সি ৱার্দতা পুখৎতুনা লায়েংনবগীদমক মিনিট ৩০ রোম লেপ্তুনা ঙাইখি।

অঙাং অদু চাইল্ড ৱার্দতা পুশিনবীনবা হায়জরবসু ডাক্তরশিংনা অঙাং অদুবু লায়েংবীখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ষ্ট্রেচর পীয়ু হায়বা য়াদবগী কুমারনা মখোঙনা মহাক্কী মচানুপা অদুবু লেংবানদা পুদুনা চেনখি। মীওই অদুনা মচানুপাবু পুদুনা চেনবা পাউমীশিংনা ফোটো নমহৌবসু লৈখি। মহাক্ন অঙাং অদু চিলদ্রেন ৱার্দতা পুশিনবা মতমদদি শীরে হায়না লাউথোরকখি। মহাক মীৎকুপ খরগী মমাঙদদি হিংখিবনি।

মিনিট ৯গী মমাঙদা মহাক হিংখি। করম তৌনা অতেনবা মতম অদুদা শীরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলকখি। হালেট হোস্পিটালদা য়ৌরকপা মতমদা অঙাং অদু শীরম্লে। অঙাং অদু হোস্পিটালদা য়ৌরকপা মতমদা মিহুন অমত্তা লৈত্রে। হোস্পিটালগী ডাক্তরশিংনা কুমারদা মহাক্কী মচানুপা অদু পুং ২ নত্রগা অহুমগী মমাঙদা শীখ্রে হায়না খঙহনখি হায়নসু হোস্পিটাল অদুগী চীফ মেদিকেল ওফিসার আর সি গুপ্তনা ফোঙদোরক্লি।

# ইটলিনা মাইগ্রেন্ট ৬,৫০০ কনখ্রে

*রোম, আগষ্ট ৩০ঃ*

ইটলি কোষ্ট গার্দনা মেদিটেরেনিয়ান সমুদ্রদগী মাইগ্রেন্ট ৬,৫০০ তোঙান-তোঙানবা রেস্ক্যু মিসন ৪০ পাঙথোক্তুনা কনখ্রে হায়রি।

মাইগ্রেন্ট কয়ানা মশিং য়াম্লবা হি অমসুং রবর বোটশিংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মেদিটেরেনিয়ান সমুদ্রগী অৱাংবা ঈথৎ মরক্তা লাঞ্জেনরকপদগী কোষ্ট গার্দনা কনখিবনি। অয়াম্বা লাঞ্জেনরকখিবা মীওইশিং অদু অফ্রিকা মাচশিংনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ইন্টর্নেসনেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসননা ইরাই নুমিৎতা থাদোরকখিবা দেটা অমগী মতুং ইন্নদি মাইগ্রেন্ট ১০৫,০০ হিগী লম্বীদা ইটলি য়ৌরকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা খরদি লিভিয়াদগী লাকখিবনি।

ইটলি কোর্চ গার্দনা কনখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপা ২৭২৬ য়াওরি। অদুগা লেমহৌবা মীওইশিং অদুনা নুপী অমসুং অঙাংশিংনি। মখোয়না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ঈশিংগী লম্বীদা লাক্নবা হোৎনবদা কয়া অমসু শীখ্রবনি।

ষ্ট্রেট ওফ সিসিলিদা হি তোংদুনা লাকখিবা মাইগ্রেন্ট ১,১০০ নোংমাইজিং নুমিৎতা কনখি। মখোয় য়ুরোপ য়ৌনা চৎনবা হোৎনরকখিবনি হায়না ইটলি কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোরক্লি।

# চাইনিজ এম্বেন্সিদা বোম পোকখায়বদা ১ শীরে, ৩ শোক্লে

*মোস্কো, আগষ্ট ৩০ঃ*

কজিকস্থানদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিদা কার বোম অমা পোকখায়বদা মীওই অমা শীরে। অদুগা অহুমনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না হেল্থ কেয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদু কার অদুগী দ্রাইভরনি হায়রি।

ষ্টেট সিক্যুরিটি সার্ভিসকী মতুং ইন্না বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌরে। অদুম ওইনমক চপ চাবদি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিশিং উন্নদুনা চপ চাবা ৱাফম ফংবা ঙমদ্রি। কজিকস্থান ন্যুজ ৱেবসাইটকী রিপোর্ট মতুং ইন্না পোকখায়বা য়াবা মচাক কেজি ২৪ পুবা কার অমা এম্বেসিগী গেটতা থোমজিন্দুনা পোকখায়হল্লকখিবনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-682**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | | 3 | 5 | 2 | | |
| | 1 | | | 9 | | | 8 | |
| | 7 | 4 | | | | 1 | | |
| 7 | 4 | | | | 1 | 3 | 2 | |
| 9 | | | | | 2 | 8 | | 4 |
| | 6 | | | | | | 5 | 9 |
| 4 | 2 | | | | | | 7 | 1 |
| 3 | | | 5 | 2 | 7 | | 6 | |
| 8 | | | | 1 | | | | |

# ঈচাওনা বিহারদা নৌনা মীওই ৬ শীহনখ্রে, অসামদা ব্রজ তাবদা ৪ শীরে

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৩০ঃ*

বিহারগী ঈচাওদা নৌনা মীওই ৬ শীখ্রে। হন্দক্কী নোংজুথা অসিদা ষ্টেট অদুদা ঈচাওনা শীহনখিবা মীগী মশিং ১৬৫ শুখ্রে। অমরোমদা অসামদা ব্রজ তাবগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শীখ্রে। অদুগা উত্তরপ্রদেশতা ঈচাও নংখ্রবা মতুং লায়না কয়া শন্দোরক্লে হায়রি।

বিহারগী ভোজপুর দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই ৬ নৌনা শীহনখ্রে। ষ্টেট অদুদা হৌজিকসু গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় পাথোক্তুনা চেল্লি।

ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ১২দা লৈবা মীওই লাক্ষ ৩৭.৫৩ নৌনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরে। গান্ধিঘাট অমসুং টিগাঘাটতা নৌনা ঈচাও থোক্লকপগী অৱাবা মায়োক্নরি। লমদম অদুদা চেনবা তুরেলশিংগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা লৈরি।

ষ্টেট অদুদা হাংবা রিফিল কেম্প ৬৪৪দা মীওই লাক্ষ ৩.৯২ চংজফম লৌদুনা লৈরি। শা-ষণশিংগী ওইবা কেম্প ১৮৫ হাংদোক্তুনা থন্নি। ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা শীহনখিবা শা-ষণগী মশিং ঙসি ফাওবদা ৫৯ শুখ্রে হায়রি।

লমদম অদুদা মাংহন-তাকহনখিবা মহৈ মরোংগী চাং লেপথোক্নবা হোৎনরি। ষ্টেট অদুগী অৱাং নোংপোক অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুখি। অদুম ওইনমক খা নোংপোক থংবা শরুক্তদি কংনা লৈখি হায়রি।


সবদারজুং ওবজার্বেটরি রিপোর্ট মতুং ইন্না লমদম অদুদা মিল্লিমিটর ২১ য়ৌনা নৌনা নোং চুখি হায়খি। অদুগা নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাংনা চাদ ৯৭ ওইখি হায়রি।

অসামগী মোরিগাও দিষ্ট্রিক্টতা ব্রজ তাবগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শীরে। অদুগা ৩না অরুবা ফিভমদা শোকহনখ্রে হায়রি। উত্তরপ্রদেশকী বরানসি, অলহবাদ, গাজিয়াপুর অমসুং বালিয়া লমদমগী খুঙ্গং ৯৮৭দা লৈবা মীওই লাক্ষ ৮.৭ অৱাবা নংলে। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হেল্থ দিপার্টমেন্টতা ঈশিং ঈচাওগী তুংদা থোক্লকপা য়াবা লায়নাশিং থেংননবা শেম শানবা খঙনখ্রে।

সেন্ট্রেল ৱাটর কম্মিসনগী মতুং ইন্না বিহার ফাওনা চেনবা গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্তা লৈরি হায়রি।

# ঝরখন্দদা চংশিনখিবা খোঙজংদা হিংশা থোকপদগী অনী শীরে

*রামগর, আগষ্ট ৩০ঃ*



প্রাইভেট সেক্টর পৱার প্লান্টতা খুদোংচাবা পীগনি হায়খিবা ঙাক্তবগী মতাংদা খুঞ্জাশিংনা ঝরখন্দগী রামগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গোলা ব্লোক্তা চংশিল্লকখিবা খোঙজংদা হিংশা থোকপদগী পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শীরে। অদুগা ২৪না অশোক অপন নংখ্রে।

ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখ্রবশিংগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েল অমসুং পুলিস পার্সোনেল কয়া য়াওরি হায়রি।

খুঞ্জাশিংনা আইন কায়বা মওংদা সেনেগর তুরেলগী ৱাটর সপ্লাই সিষ্টেমদা টার্গেট তৌবতা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েলশিংদসু টার্গেট তৌরকখি। মীয়াম অদু তানখায়নবা হোৎনবনা পুলিসনা নোংমৈ কাপখি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না মফম অদুদা লৈবা পুলিস পার্সোনেলশিং নমদুনা নোংমৈ কাপহনখি। মীয়াম অদু তঙাইফদনা তানখায়বা দরকার ওইখি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা মীওই অমা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা শীখি। অদুগা অতোপ্পা অমনা ইরাং অদুদা নেৎশিন্নবদগী শীখি হায়রি।

এস পি এম দামিলভাননা ফোঙদোরকখিবদা খোঙজং চংশিনখিবশিংনা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েলশিংদা এটেক চত্থরকখি। মখোয়না গোরাং মহাটো অমসুং ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসারশিংদা এটেক চত্থরকখি।

খুঙ্গং অদুদা থোকখিবা ইরাং অদুদা নেৎশিন্নবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ রোম অশোক অপন নংখি। শোক্লবশিংগী মনুংদা পুলিস পার্সোনেল কয়া য়াওরি। মখোয় মনাক নকপা হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। অদুগা খরা হেন্না শোকপা মীওইশিংনা রাঞ্চিদা লৈবা রাজেন্দ্র ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা রিফর তৌখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মতুংদা খুঞ্জাশিংনা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েলশিংগী গারী অমসুং রাঞ্চি-সিকিদিরি অমসুং গোলা রোদতা লৈবা ওফিসিয়েল ব্লোক কয়া মৈ থাখি হায়রি।

**সনা-সুদোকু- ৬৮১ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 8 | 4 | 9 | 3 | 6 | 5 | 1 |
| 6 | 1 | 4 | 8 | 5 | 7 | 3 | 2 | 9 |
| 5 | 9 | 3 | 2 | 1 | 6 | 4 | 8 | 7 |
| 8 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 5 | 1 | 3 |
| 1 | 2 | 9 | 5 | 3 | 4 | 8 | 7 | 6 |
| 3 | 5 | 7 | 1 | 6 | 8 | 9 | 4 | 2 |
| 9 | 3 | 1 | 7 | 4 | 5 | 2 | 6 | 8 |
| 4 | 6 | 2 | 3 | 8 | 1 | 7 | 9 | 5 |
| 7 | 8 | 5 | 6 | 2 | 9 | 1 | 3 | 4 |

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA
10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun
Regional Office :-
Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645
SL/B/14th July- 20th Sept. 2016